ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ০৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৬২শুবা মশীং

## নথিংদগী সমথিংনা ফৈ

### থৌনাদুগী ৱানি

করিমত্তা নৎত্রগা শুংলৈ লৈতববুদি খরদং ওইরবসু লৈবনা ফৈ। ৱাহৈসিমক ইংলিস লোন্দসু লৈ। সমথিং ইজ বেট্টর দেন নথিং হায়। ৱাফমসি য়াম্না চুম্মী। য়ুনিভর্সেল ক্রথনি হায়রবা ফাওবা য়াই। হায়সু হায়নৈ, অদুবু ৱাফমসিমক পোলিটিক্সতা পুশিল্লক্লগদি মরু ওইনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংদা ফিক্স তৌরক্লগদি লেজিসলেটর অমগী মতিক মথৌনা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ওইরগা ওইরে, পার্টি অমদা বিলোং তৌরগদি মহাক্কী ইন্টিগ্রিটিদা ক্বেসন ময়াম থোরকই। ফীভমসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী ৱাফম ঙাক নত্তনা লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংদসু হেক-হেক থোকই। অদুগা অসিগুম্বা থৌদোকসি পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী লৈঙাক্লোন (সিষ্টম) চৎনরিবা লৈবাকসিদদি অনৌবা থৌদোকসু ওইদে। য়াম্না তোয়না থোকই। অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদা তৌনরকপদগী অপীকপা ষ্টেট মচাশিংদসু মতৌ তম্নরকই। মসিনা লৈবাকসিগী অপূনবগী ওইবা ৱানি। মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংলুরবদি কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ লৈহল্লগা পাঙথোরক্লিবা এসেমব্লি মীখলশিংগী মতুংদদি পাৱর পায়দুনা লৈবাক লৈঙাকপদা য়াওবনা হেন্না ফৈ খন্নরকপা ৱাখলগী তুংইনবা থবক কয়া চত্থনরকপা তোয়না থেংনৈ। হায়বদি খরা হেন্না চাওবা, লেজিসলেটর মশীং য়াম্বা পার্টিদা, লৈঙাক খূৎপায়নরিবা পার্টিদা খুরুপ থাদুনা হুপচিন্নবা, চোঙশিন্নবগী থৌদোকসি তোয়না থোকই।

লিননা হঙোই লাকপা, উম্মগা চেন্দুনা পুবা নৎত্রগা পুময়োৎ য়োৎশিনখিবগী থৌওংসি মহৌশাগী ওইবা মচৎনি। কনামত্তনা থিংলুবা ঙম্লোই, ঙমসু ঙমদে অদুনা অদুম্মক চত্থদুনা লৈ। অদুগা লৈবাকসিগী পোলিটিকেল সিষ্টমদসু পার্টি অমদগী অমদা চোঙশিনবগী থবকশিং অদুম থোকই। লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনদা 'টেন্থ সেদ্যুল' হায়বা 'মা লৈ। সেদ্যুলসিগী প্রোভিজনশিংনা হঙোইদৌনা চোঙথোক-চোঙশিন পংতৌদা তৌদনবগী পাদম লাক্নবা কাঙলোনশিং শেম্মী। চৎনদুনসু লাকই। অদুবু টেন্থ সেদ্যুলগী ৱাংলবা পল লান্দুনা চোঙখিবা য়াবগী অয়াবসু য়াওবনা মদুনা পাম্বে ওইনা শীজিন্নরগা অমনা অমদা চোঙথোক-চোঙশিনগী থৌদোকসি অদুম্মক থোকই। মসিগী মরমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি 'সমথিং ইজ বেট্টর দেন নথিং' হায়বসিসু অমনি। মসিমক্না লেজিসলেটর ফাওবা ওইরক্লবা মতুংগী ৱাদি থম্বু থমখ্রো, ওইননবা হোৎনরক্তুনা মীখল থেংননবা মফি শেন্নকপদদা ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা লৈঙাকপা য়াবা পার্টিদা কোক্কাই লুকাইনবা থোকপমখৈ থোমজিন্নৈ। মীয়াম্না পাম্বা/পামদবা অমসুং য়ানীংবা/য়ানীংদবদা নাচুংদে। মীয়ামগী অপাম্বদা চৎতে। মখোয়-মখোয়না মীয়াম্বু হুমদুনা পুরগা চৎলি। মীয়ামসু নথিংদগী সমথিংনা ফৈ হায়বসিদা লোইনা লুপশিন্নরকপনিনা লেজিসলেটরশিংগা অমত্তা হেক্তা ওই। মসিমক হৌজিক লৈবাকসিদা চৎনবদগী মসিগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদসু চপ-চানা থোকই। অদুবু সেন্টরদা ওইনীংবা পোলিটিকেল পার্টিগী লৈনীংবা লৈঙাক লৈজসনু। ষ্টেটকীদি মীয়ামগীদমক হেন্না খনবা পার্টিনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনগনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। শুংলৈ লৈতববুদি ওইরম্লোই হায়ববু ইলেক্সন পাঙথোক্লমদাইদদা মথি ফোংলকপা পার্টিনা কোকথোং অমনি হায়বগী ৱানি। পার্টি মান্নদ্রবসু ষ্টেটকী চাকথুং পীদবা য়ারোই, চাওখৎ-থৌরাং তৌরক্তবা য়ারোই হায়দুনা মুক্লগা নমদুনা লৌবা ঙম্বগী থৌনাদুদি হোত্রোং হোই, 'জি' 'জি' হায়দুনা মথুন চুপ্পগা লৈনবা হোৎনবদনা হেন্না থৱায় য়াওনৈ হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) **"লাইধি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **"মেনকাগী মচানুপী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) **"নিতি লীলা দিবারাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **"পুন্সি অমসুং তিংখং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল"** শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


# দাইমন্দগী নোং চুরিবা গ্রহ অনী : য়ুরেনস অমসুং নেপত্যুন (প্লাষ্টিক বোট্টুলদগী দাইমন্দ শুংবসু য়ারগনি)

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

থিজিনবগী থবকসিনবু লেপত্রবদি থাজরমদবা কয়া থাজরকই, ওইররোই খল্লম্বা কয়া ওইরকই। য়ুরেনস (মৈতৈ/মীতৈগী থাজনবীগী মতুংইন্না তাওরোইনাইগী মকোকনি হায়না থাজরিবা, শাকোক হায়না খঙনরিবা) অমসুং নেপত্যুন (তাওরোইনাইগী মমৈ, শামৈ হায়না খঙনরিবা) গ্রহশিং অসিদা দাইমন্দগী নোং চুই হায়না এষ্ট্রোনোমর খরনা থাজবা থম্নরকখি। সোলর সিষ্টমগী ৱাংমদা লৈরিবা গ্রহশিং হায়বদি এক্সোপ্লানেটশিংদসু অসিগুম্বা থৌওংসি থোক্লমগনি হায়না থাজদুনা লাকখি।

শাকোক অসি মালেমদগী এষ্ট্রোনোমিকেল য়ুনিট (এ য়ু) ২০ মুক লাপ্পী, হায়বদি মালেমগা নুমিৎকা লাপ্প রিবসিগী শরুক ২০ মুক লাপ্পী; অদুগা শামৈ অসিনা মালেমদগী এ য়ু ৩০ মুক লাপ্পী। গ্রহ অনীমকসিগী লৈমায়সি মরু ওইনা ঈশিং, এমোনিয়া, ওক্সিজেন অমসুং মিথেনগী উনশিংনা শেম্মী।



SLAC গী Linac Coherent Light Source তা লৈরিবা মেট্টর ইন এক্সত্রিম কন্দিসন্স ইন্সত্রুমেন্ট

গ্রহ অনীসিদা দাইমন্দগী নোং চুই হায়বসি হাইপোথিসিস অমা ওইনা লৌনরকখি। অসুম্না থাজরকখিবা অসিবু হেন্না ফীভম চেৎশিনহল্লদুনা, SLAC সাইন্টিষ্টশিংনা ওক্সিজেন্না দাইমন্দ শুংবগী থৌওংদা মতেং পাংই হায়বসি চাংয়েং তৌদুনা উৎপা ঙমখ্রে হায়রি। অসিগুম্বা চাংয়েং অসিনা মালেমদা লৈরিবা প্লাষ্টিক বোট্টুলশিংদগী নানোদাইমন্দশিং শুংবা ঙমহল্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে হায়রি।

থিজিন-লূপ অসিগী অহানবা চাংয়েংদা (*নেচর এষ্ট্রোনোমি*, ওগষ্ট ২১, ২০১৭তা ফোঙদোকখিবা), শাকোক অমসুং শামৈগী মরমদা থিজিনবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌরকখি। এটমোসফ্যেরনা অসুক্কী মতিক ঈংলবসু, গ্রহ অনীসিগী লৈনুংসি কা হেন্না শাই অমসুং কা হেন্না প্রেসর ৱাংই। অসিগুম্বা ফীভমসিগা মান্নবা খূৎশেমগী ফীভম অমা লূপ অসিনা লেবতা শেমগৎলম্মী। ফীভমসিদা SLAC নেসনল এক্সেলরেটর লেবোরেটরিগী এক্স-রে ফ্রী-ইলেক্ট্রোন লেজরনা মেট্টর ইন এক্সত্রিম কন্দিসন্স (MEC) ইন্সত্রুমেন্টদা মপাঙ্গল কল্লবা ওপ্টিকেল লেজর অমা পীশিল্লগা, সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ৬,০০০ ফাওবা খুদক্তা শাহল্লি অদুগা প্লাষ্টিক্তা শোক ৱেভশিং থোকহন্দুনা প্লাষ্টিক্কী মেটরিএলদুবু মালেমগী এটমোসফেরিক প্রেসরগী শরুক মিলিয়ন অমমুক কন্না কমপ্রেস তৌখি। চাংয়েং অদুদা প্লাষ্টিক অদুদা য়াওরম্বা কার্বোন এটম খুদিংমক্না নানোমিটর খরগী চাংদা পাকপা অপিকপা দাইমন্দগী ষ্ট্রকচরশিং শেন্নকপদু থেংনখি। শাকোক অমসুং শামৈদা ফংলিবা দাইমন্দশিং অদুদি য়াম্না চাউরমগনি অমসুং কেরট মিলিয়ন কয়ামুক লূম্লম্বা য়াই হায়না লৌরম্মী।

দাইমন্দশিং অসিনা চহী লিশীং কয়াগী মনুংদা গ্রহশিং অসিগী উনগী মরোলশিং ফাওদুনা লৈনুংদা তপ্না তপ্না চঙখ্রগা মপং ওইনা লৈরিবা, ময়ায় চবুক্কী অকোয়বদা অথাবা মরোল অমা শেন্নম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ হায়রি।

দাইমন্দ হায়বসি কার্বোন এটমশিংনা শেম্বা থ্রী-দাইমেন্সনগী ফজরবা ষ্ট্রকচর লৈবা ইলিমেন্ট অমনি। মিথেন, প্লাষ্টিকনচিংবসি কার্বোনগী কম্পাউন্দশিংনি; অদুনা মখোয়সি য়াম্না নক্নবা মরী লৈ। ঐখোয়গী মালেম অসিগী লৈনুংদা মহৌশাগী থৌওংনা কা হেন্না শারবা অমসুং কা হেন্না ৱাংলবা প্রেসরদা দাইমন্দশিং শেন্নকখি হায়না থাজনৈ। মতৌ অসুম্না মান্নবা নৎত্রগা তোঙানবা থৌওং অমদা শাকোক অমসুং শামৈদসু দাইমন্দশিং শেন্নম্বা য়াই হায়না থাজনৈ। গ্রহ অনীসিদা থোক্লম্বা য়াবা থৌওংদুবু সিমুলেসন শীজিন্নদুনা লেবোরেটরিদা শেমগৎলগা চাংয়েংশিংসি পাঙথোকখিবনি।

অহানবা চাংয়েংসিগী মতুংদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা চাংয়েংদা SLAC গা খূৎশম্নরগা Helmholtz-Zentrum Dresden-Rossendorf (HZDR) অমসুং জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটি ওফ রোষ্টোক, লোয়ন-লোয়ননা ফ্রান্সকী Ecole Polytechnique কা পুল্লগা শেম্বা, থিজিন লূপ অসিনা শাকোক অমসুং শামৈবু শেল্লিবা কেমিকলগী মচলশিংদুগা য়াম্না মান্নবা মওং অমা শেমগৎলগা থিজিনবগী থবকসি মখা চত্থরকখি, অদুগা ওক্সিজেননা দাইমন্দ শেম্বগী থৌওংদা মতেং পাংলম্বা য়াবগী ওইথোকপদু থেংনরকখি। অসুম্না দাইমন্দগী নোং করম্না ওইরক্লিবনো হায়বগী হেন্না ময়েক শেংলবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙমখি। থিজিন-চেরোলদু *সাইন্স এদভান্সেস* (সেপ্টেম্বর ২, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবনি।

অহানবা চাংয়েংদা, থিজিন লূপ অসিনা হায়দ্রোজেন অমসুং কার্বনগী য়ানশিন্নবা অমদগী শেম্বা প্লাষ্টিক মেটরিএল অমদা নৈনখি। মখোয়সি শাকোক অমসুং শামৈবু শেল্লিবা কেমিকলগী মচলশিংনি। উনশিংগী চাউরবা গ্রহ অনীসিদা ওক্সিজেনগী চাংসু য়াম্না য়াওই। অনীশুবগী চাংয়েং অদুদনা, থিজিন লূপ অসিনা চিঞ্জাক য়োম্নবা প্লাষ্টিক, প্লাষ্টিক বোট্টুল অমসুং কন্টেইনরশিং শাবদা শীজিন্নরিবা PET প্লাষ্টিক শীজিন্নখি। HZDR দা ফিজিসিষ্ট অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ রোষ্টোকতা প্রোফেসর ওইরিবা, Dominik Kraus না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না উনখক্তনা য়োম্লবা গ্রহ অনীসিদা থোক্লিবা কেমিকেলগী থৌওংশিংসু সিমুলেট তৌনবগীদমক PET দা কার্বোন, হায়দ্রোজেন অমসুং ওক্সিজেনগী চাংসি হেন্না চুনবা ওই হায়রি।

PET দা শোক ৱেভশিং থোকহন্নবগীদমক, থিজিন লূপ অসিনা SLAC কী Linac Coherent Light Source (LCLS) তা লৈরিবা মেট্টর ইন এক্সত্রিম কন্দিসন্সতা হায়-পাৱর ওপ্টিকেল লেজর অমা শীজিন্নখি। মসিদগীদি লূপ অসিনা প্লাষ্টিক অদুদা করি অহোংবা থোরকপগে হায়বদু য়েংনবগীদমক LCLS তগী এক্স-রে পলসশিংবু শীজিন্নখি। এক্স-রে দিফ্রাক্সন হায়রিবা টেক্নিক অসি শীজিন্নদুনা লূপ অসিনা প্লাষ্টিক অদুগী এটমশিংনা অপীকপা দাইমন্দগী রিজনশিংদা অনৌবা ষ্ট্রকচর অমা শেন্নকপদু য়েংলম্মী। মতম অসিমক্তদা, অহানবা চাংয়েংদদি শীজিন্নখিদবা, স্মোল-এঙ্গল স্কেটরিং হায়না খঙনবা অতোপ্পা মেথদ অমসু শীজিন্নখি; মসিনা দাইমন্দগী রিজনশিংদুনা কয়া থুনা অমদি কয়া য়াম্না চাওখৎলকপগে হায়বদু ওল্লম্মী। টেক্নিক অসিগী মতেংনা মখোয়না দাইমন্দ রিজনশিংদু নানোমিটর খরগী চাংদা ফাওবা চাওখৎলকপা ঙম্মী হায়বদু খঙবা ঙম্লম্মী। প্লাষ্টিক মেটরিএল অদুদা ওক্সিজেন য়াওবা মতমদা নানোদাইমন্দশিংদু হেন্না নেম্বা প্রেসর অমসুং টেম্পেরেচরদা শেন্নকপা ঙম্মী হায়বদুসু খঙবা ঙম্লম্মী। ওক্সিজেননা কার্বোন অমসুং হায়দ্রোজেনবু খাইদোক্নবগী থবক্তা থুজিনহনবা ঙম্মী, অদুনা নানোদাইমন্দশিং শেম্বদা মতেং পাংই হায়না Kraus না ফোঙদোক্লি।

মখোয়গী চাংয়েং অসিদগী দাইমন্দশিংগা লোয়ননা সুপরআইওনিক ৱাটরসু শেন্নম্বা য়াই হায়বগী লংলা লংজিনসু ফংবা ঙম্লম্মী। সুপরআইওনিক ৱাটর হায়বসি 'হোট, ব্লেক আইস' হায়নসু খঙনবা, কা হেন্না ৱাংবা টেম্পেরেচর অমসুং প্রেসরদা লৈবা ঈশিংগী ফেজ অমনি। অসিগুম্বা কা হেন্না ৱাংলবা ফীভমশিং অসিদা, ঈশিংগী মোলিক্যুলশিংনা কাথরকই; ওক্সিজেন এটমশিংনা কৃষ্টল লাটিস অমা শেন্নকই অদুগা হায়দ্রোজেনগী ন্যুক্লিয়সশিংনা মনীং তম্না তাউদুনা লৈ। অসিগুম্বা মনীং তম্না তাউদুনা লৈরিবা ন্যুক্লিয়সশিংসি ইলেক্ট্রিক চার্জ পুবনিনা সুপরআইওনিক ৱাটর ফাওদুনা করেন্ট চেনবা ঙম্মী অদুগা শাকোক অমসুং শামৈদা লৈরিবা তোপ-তোপ্পা মেগ্নেটিক ফিল্ডশিংদু শন্দোক্না তাকপা ঙমহল্লি। অসুম্না পুথোরক্লিবসিনা অরাপ্পা গেলিক্সিশিংদা লৈরিবা গ্রহশিংগী মরমদা নৈনবদসু হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মরমদি সোলর সিষ্টমগী ৱাংমদা লৈরিবা এক্সোপ্লানেটশিংগী অয়াম্বদি উনশিংগী গ্রহশিংনি।



Dominik Kraus

শাকোক অমসুং শামৈদা দাইমন্দগী নোং চুরিবসিগী মরমদা থিজিনখিবা অসিনা মমল হোঙনা ফংবা PET প্লাষ্টিকশিংদগী লেজর-দ্রিভন শোক কমপ্রেসন তৌরগা নানোদাইমন্দশিং পুথোক্লবগী লম্বীসু য়াংপা ঙম্লে হায়রি। হান্নদগী হৌনা পোৎ চৈ নাম্থোকপা, ককথৎপা অমসুং পোলিশিং এজেন্টশিং ওইনা শীজিন্নরক্লবা নানোদাইমন্দশিংসি ক্বান্টম সেন্সরশিং, মেদিকেল কন্ত্রাষ্ট এজেন্ট অমসুং রিনেৱেবল এনর্জিগী রিএক্সন এক্সেলরেটরশিং ওইনা শীজিন্নবসু য়ারকপা য়াই। মসিগী মথক্তা অসিগুম্বা পাম্বৈশিংনা শুংলক্লিবা নানোদাইমন্দশিংবু দ্রগ দেলিভরি, নোনইনভেসিভ সর্জরি, সষ্টেনেবল মেন্যুফেক্টচরিং অমসুং ক্বান্টম ইলেক্ট্রোনিক্সনচিংবদসু শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

মখা তারকপা চাংয়েংদা থিজিন লূপ অসিনা শাকোক অমসুং শামৈদা মরাং কায়না ফংলিবা ইথানোল, ঈশিং অমসুং এমোনিয়াগী সেম্পলশিং শীজিন্নরগা হান্নগুম্না চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবা শেম শারি। মদুনা অতোপ্পা গ্রহশিংদা দাইমন্দগী নোংসি করম্না চুরক্লিবনো হায়বদুগী মতাংদা হেন্না কূপ্না খঙবা ঙমহল্লবা য়ারি। ●

# 'পুন্সিগী লাংফমদা' -(১)

**– মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ –**

ঐগী নুপীনা মশাগী চহী ২৮ মুক শুরকপা মতম ইচানুপী অতোনবী অসিনা থা ১০ মুক শুরকপা মতমদগীনি ঐগী নুপীনা ঈদা চিনি হেনবগী অনাবা অমা নাবা হৌরকখিবদু। চারিবমখৈ মশা তেখত্তবা অদুগা ঈশিং তোয়না চৎলকপদগী খঙলকখিবনি। করম্বা চিঞ্জাক চারুবদগী তৌথ্রিবনো হায়বা ঐখোয়সু চমন্নখি। কনাগুম্বা দাক্তরশিংনদি ঐগী ইচা অনীমক মবুক্তা লেল্লগা পোকখিবা ঙাক্তনিনা অনীশুবা ইচানুপী অতোনবী অসি পোকপদা অশোয়বা লৈখিবরা হায়বগী চিংনবসু ফোঙদোকপি। মতম চানা দাক্তরগী মনাক্তা চৎতুনা তানখি। মশাগী চহী ২৮তা শুরিবা মীশক অমদা ঈশিং পুকচৎনা নারমগনি হায়বসি লায়েংলিবা দাক্তরশিংগী ৱাখল্লোন্দসু থাজবা খরা অদুম ৱাৎলম্মী। মরম অদুনা ঐখোয়সু য়ারিবমখৈ মনা মশীংনা শেম্বা হীদাক লাংথক শীজিন্ননবা হোৎনরম্মী। মতম অদুদা ঐখোয়গী লৈকায়দা তোঙান তোঙানবা লল্লোনবশিংগী মখল মখাগী অনাবশিং ফৈ হায়নবা হীদাক খরা পুশিন্নরকখি। অনাবা ফহন্নিংবা কৌবনিনা, অনাবতবু ফরবদি হায়বা ৱাখলসিদা লুপা লিশীং লিশীং তিংদুনা হীদাকশিং অদু শীজিন্নদুনা য়েংখি। অদুবু অরেম্বদা শেল তিংবতা ইশরুক ওইখি, করিসু কান্নবা ফংখিদে। অহোয়নদুম অনাবা হেঞ্জিল্লকখি। অদুবু দাক্তরশিংগী মনাক্তা চত্তুনা এলোপেথিগী হীদাক থাদুনা পুন্সিগী লোয়নরগদবা অনাবা অদুগী লায়ওং ফাথনবা হোৎনরে।

চহী ৮/৯ মুক্কী মতুংদা নোংমা অয়ূক অমদনি, ঐগী য়ুমগী থোঙ্গাল ময়াদা ঐগী নুপীনা খোংবান মপান্দা হৌবা পাংখোক্লাশিং হাইদোক্লুবদা মহাক্কী মমীৎ য়েৎ থংবরোমদা ইঙ ইঙ লাউবা মহী খরা চোংখিবগুম তৌখি। নুমিৎ অদুদগী মহাক্কী মমীত্তা নুংঙাইতবা হায়বদু অদুম ওইখি। রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালদা চত্তুনা য়েংথোক্লুই। অদুবু মীৎকী দাক্তর মকোক ওইরিবা অদুনা মতম খরা ঙাইরো, মীত্তা হীদাক অমা কাপকদবনি, হীদাক্তু মমল য়াম্না তাঙই, অনাবা ৭/৮ শুরকপা মতমদা লুপা লিশীং ১০/১০ খায়নরগা অতোপ্পা লন্নাই লায়েংশঙ অমদা তৌগদবনি, মতম চানা পাউ পীরক্লে হায়দুনা মোবাইল নম্বরসু লৌহৌরে। অদুগা লায়েংবা হৌরিবনি হায়দুনা শিন্দন্লিবা মীওই খরনা শোক্লিবা মীৎ য়েৎ অদুদা লেজর কাপ্তুনা লায়েংবা হৌরকই। নুমিৎ কয়ানিমুক ঙাইগদগে হংলুবদা কুইগদবা নত্তে হায়দুনা তাকপীরকই। অসুম্না ঙাইনা ঙাইনা থা ৬ মুক হৌখরে। অমুক হন্না রিমসতা চৎতুনা দাক্তরদু উনদুনা অকূপ্পা পাউ লৌননবা হোৎনরে। মদুদসু মীত্তা লেজর কাপ্পীরগা থেমদুনা মতম থাদুনা থাদোরক্লে। অদুবু পাউদি পীরকপা লৈখিদ্রে। নোংমা অয়ূক অঙনবা নুমিৎ অমদা দাক্তরদুগী ময়ূম থিদুনা উনরুই। নুমিৎ অদুদসু নুমিৎ খরনিদং ঙাইরে হায়রকখি। লাইবক থীবদি থা কয়া ঙাইরবসু হীদাক কাপ্পনবগী পাউ অমুক হন্না হায়রকখিদ্রে। ঐখোয় হান্নগী দাক্তরদুগী মনাক্তা অমুক হন্না চঙদনবা ৱা খন্নরে। অদুগী মহুত্তা মণিপুরগী মমিং লৈরবা লন্নাই লায়েংশঙ অমদা অমুক হন্না ইনৌ নৌনা হান্নগী চে চাংশিংদু পুদুনা লায়েংবা চৎলে। লাইবক থীবদি হান্না মতম কয়া মাঙহনখ্রবনিনা ঙল্লিঙৈদা য়েংহৌদবগী খরা হেন্না শোকচিল্লম্লে। অদুগা কাপখ্রিবা লেজর অদুসু শিন্দন্লিবা মহৈরোয়শিংনা কাপ্লকখিবনা ওইগদ্রা খরা শোয়খ্রে হায়না হায়রক্লে। মখা তাবা লায়েংদদি শোক্লিবা মীৎ অদু অমুক হন্না লেজর কাপ্তুনা লায়েংবা হৌবীরকই। লেজর কাপ্পা অসিনা শোক্লবা মীৎকী শিংলি নাওরিশিং অদু কংশিলহন্দুনা অতোপ্পা মফমদা নৌনা শন্দোরক্তনবনি হায়রি। অদুবু শোক্লিবা মীৎ অদু থাঙ থাদবা য়াদবগী ফীভমদা লৈখ্রে। থাঙ্গৈশেংনা মীৎতা থাঙ থাবা হায়বসি অকিবা ফাওই। মণিপুরগী লায়েংশঙ খরদা, অদুগা লন্নাই লায়েংশঙ খরদা মীৎ নারবা মীওই খরা থাঙ থারুবদগী পুন্সি চূপ্পা মীৎ উখিদবগী পাউ খরা তাখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীৎকী অনাবদা থাঙ থাগনি হায়রবদি হেন্না অকিবা পোকই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ থাঙ থাদনবগীদমক অতোপপা দাক্তরশিংগী মফমদসু চৎতুনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন লৌননবা হোৎনরম্মী। ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা লৈবা মীৎকী দাক্তর নুপী অমদা অমুক হন্না ইনৌ নৌনা তানবা চৎলে। দাক্তর ইবেম্মা (অশেংবা মমিং নত্তে), মীৎ লায়েংবদা নৌনা মমিং লৈখৎলক্লিবী দাক্তর অমনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী লায়েংফম অসিদদি খূৎশু খূৎলায় মশীং কয়া শুদ্রিবনিনা মপাল লমগী অফবা লন্নাই লায়েংশঙ অমদা থাবীরগে হায়রকই। লমগী ষণনা মচি শাংই হায়নবগুম মপাল লমগী লায়েংশঙদা থাবীরবদি শোয়দনা অনাবা ফরনি হায়বগী থাজবসু লৈরম্মী। দাক্তর ইবেম্মনা ঐঙোন্দা য়াম্না থাজনা হায়রকখি-

"গুৱাহাটিগী শঙ্করদেব নেত্রলয়া হোস্পিটাল, ঐহাক্না পি জি তৌরকপা মফমনি। মফম অদুদা লৈবা দাক্তরশিংগা ঐগা মাঙজৌননা পাউ ফাওনজরগে। য়ারিবমখৈ থুনা মফমদুদা চৎননবা হোৎনবীয়ু। য়েৎ থংবা মীৎ অসি মফমদুদা থাঙ থারবদি শোয়দনা ফগনি।"

ঐদি মপাল লমদা তোয়না চৎপা মীশকসু নত্তে। ইংলিস ওইরবসু হিন্দি ওইরবসু লোলগী মতাংদসু য়াম্না খঙবা মীশক অমসু ওইদে। অদুবু দাক্তর ইবেম্মনা মাঙজৌননা পাউ অমসু ফাওনবীগে হায়রকপগা লোয়ননা ঐগী নুপীগী মীৎকী অশোকপসিতা ফরবদি খন্দুনা ঐহাকসু তঙাইফদনা চৎপা তারি। থা মখায় অমগী মনুংদা ঐখোয় চৎননবা শেম শারে। মাঙজৌননা ঐখোয় অনীগী গুৱাহাটি য়ৌবা বসকী টিকেটসু ককশিল্লে।

কুমজা ২০১৪গী জুন ৭নি। ঐখোয় অনী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওবা ওটোরিক্সো তোংলক্লুবা মতুংদা খ্বাইরম্বন্দদগী রিক্সো তোংদুনা অৱাং এ ও সীগী গাড়ী থাফম তান্না লাক্লে। য়াম্না নোক্লিংবা থৌদোক অমা থেংনৈ। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী চঙফম মপা য়ৌরকপা অদুৱাইদগী নুপা অমনা গাড়ী মচা অমদা রিক্সোগী মতুং ইন্নরক্লগা ঐখোয়দগী হেনগৎলক্লগা হায়রকই- 'কদাই য়ৌবীগদবনো চৎপীরিবসিবো?" ●